ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




মণিপুরদা ফূরুপ মশেল নুংশিনহন্দনবা অমসুং ভাইওলেন্স থোকহন্নবা হোৎনখিবা কে এস ও, দেল্লীগী লুচিংবা পাওজাখুপ গুইতেগী মথক্তা দেল্লী পুলিসকী কমিস্নরদা কমপ্লেন্ট তৌখিবা দেল্লী মীতৈ কোওর্দিনেটিং কমিটিগী থৌমীশিং

থম্মোয় পাউদম : ঐখোয়গী পোলিটিসিয়নশিং কৈদৌরি? ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ লম্বী চৎথোক-চৎশিন তৌবগী মওংদা অহোংবা ...
'মূখৎকনি টেররিষ্ট য়োকখৎকনি' ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ হৌজিক ঐখোয়না ইরৈপাক মণিপুর কন্নবগী ...
অকনবা নোংজুদা কর্নাটকাদা ৫, টামিল নাদুদা ৩ শিরে... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ মেন্স অন্দর-১৯ ৱান দে ট্রোফি : পি সী সী...

মোইরাংগী হোটেল কংলৈপাকতা পীস কমিটি কংলৈপাক মণিপুরনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা পাউমীশিংনা তোংবা গাড়ীদা থাবা 'মণিপুর' মূখৎহল্লকখিবগী মতাংদা গভর্ণরনা শেংদোক্কদবনি হায়না পাউগী মীফমদা ফোঙদোকখিবা



Vol. 49, Issue No. 051 | য়ুমশকৈশা, কালেনগী ২৩/২৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, May 21, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# পি আর লৈঙাক্কী সিফাইশিংনা এম এস টি বসতা থাবা 'মণিপুর' খুমজিনহনখ্রে ওর্দর পীদনা সিফাইশিংনা ঙম্লোই, পাউমী খক্তা নত্তনা মণিপুর অমসুং মীয়াম্বু উশিত্তবনি

## মণিপুরদা দিপ্লোই তৌরিবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা মবুকচেল শেংদ্রিবা ফাওবা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লরোই হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি






উখুলদা পাঙথোকপা সিরুই লিলী ফেষ্টিবেলগী পাউ লৌবা চৎপা পাউমীশিংনা তোংবা এম এস টি বসতা থাবা 'মণিপুর' বু মহার রেজিমেন্টনা খুমজিনহনখিবা, গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনবা লাকপা পাউমীশিংবু পুলিসনা থৎনবা হোৎনখিবা

**ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগী উখুলগী সিরুই ভিলেজগী ভঙ্গয়ানদা লৈবা হেরিটেজ গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবা ৫শুবা ষ্টেট লেভেল সিরুই লিলী ফেষ্টিবেল ২০২৫গী পাউ লৌনবগীদমক ঙরাং লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিক রিলেশন্সকী দিরেক্টরনা ওফিশল ওইনা খঙহল্লকখিবগী মতুংইন্না মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্টকী বস এম এন-০১/বি এ-০৪০৮দা তোংদুনা ইম্ফালদগী পাউমীশিংনা উখুল তম্না চৎপগী লম্বীদা ৪শুবা মহার রেজিমেন্টকী পর্সনেলশিংনা লম্বীদা থৎতুনা বস অসিগী ৱিন্দসিলদা ইংলিস ময়েক্না 'মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্ট' হায়না থারিবসিগী মনুংদা য়াওরিবা 'মণিপুর' হায়বা ৱাহৈসি খুমজিল্লগা নৎত্রগা মূখৎলগা চৎলু নৎত্রবদি চৎপা য়ারোই হায়রকপদগী লৈবাক ৱাথোক ওইরে।

ফেষ্টিবেল অসিগী পাউ লৌনবগীদমক বস অসিদা তোংদুনা চৎপা পাউমীশিংগী মরক্তা য়াওবা পাউচে অসিগী পাউমীনা হায়, ঙরাং দি আই পি আরগী দিরেক্টরনা অইবা চেরোল অমা থোক্তুনা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না ঙসি অয়ুক পুং ৬ নংনবা পাউমীশিং লাক্লখি। অয়ুক পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা এম এস টিগী বস অসিগী ৱিন্দশিল্ডদা 'দি আই পি আর মীদিয়া' হায়না ইবা চে ফাওবা থেৎতুনা লোয়শঙ অসিগী ওফিশল অনী য়াওনা উখুলগীদমক চৎপা হৌখি। দি আই পি আরগী গেটতগী বস অসিনা খুমন লম্পাক্কী ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনস (আই এস বি টি) দা থৌজিন্দুনা মিনট ১০ রোম লৈরবা মতুংদা উখুলগীদমক অমুক হন্না চৎপা হৌখি।

বস অসি ইম্ফাল-উখুল লম্বীগী শবুংখোক খুনৌগী লেপশুম লমখাই হায়না খঙনবা মফমদা লৈরম্বা চ্যেক পোষ্টগী ৪-মহার রেজিমেন্টকী পর্সনেলশিংনা থৎতুনা খামখি। মখোয়গী মনুংদগী পর্সনেল অনী বস মনুংদা কাখৎলক্তুনা চ্যেক তৌখি। অদুগা বস অসি চৎপা য়ারোই হায়রকখি। লোয়ননা 'বস অসিগী ৱিন্দশিল্ডদা মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্ট' হায়না থারিবা অসিগী মহুত্তা দি আই পি আরগী ওইনা থারগা লাকপা য়াদ্রা হায়না অথিংবা পীরকখি।

ৱাফম অদুদা বসতা তোংলিবা দি আই পি আরগী ওফিশলশিংনা অমদি পাউমী খরনা বস অসিদা তোংলক্লিবসি মীদিয়াগী মীওই ঙাক্তনি। ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী পাউ লৌবা চৎপনি হায়দুনা করিগীদমক মীদিয়াদা অথিংবা পীরিবনো হায়না হংখি।

ৱাফম অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## 'মণিপুর' থাবা য়ারোই হায়রকপশিংগী মথক্তা এক্সন লৌগদবনি, গভর্ণরনসু শেংদোক্কদবনি : কৈথেল ফম্বীশিং



**ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগী হৌদুনা উখুলদা পাঙথোক্লিবা সিরুই লিলী ফেষ্টিবেল, ২০২৫গী পাউ লৌনবগীদমক পাউমীশিংনা এম এস টি বস তোংদুনা উখুল তম্না চৎপদা গ্বালতাবী য়ৌরকপদা মহার রেজিমেন্টকী পর্সনেলশিংনা থৎতুনা বস অসিগী ৱিন্দসিলদা 'মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্ট' হায়না ইংলিস ময়েক্না থাবগী মনুংদা 'মণিপুর' হায়বা ৱাহৈ খুমজিনগদবনি নৎত্রগা মূখৎকদবনি ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## 'মণিপুর' খুমজিল্লু হায়হল্লক্লিবা কনানো হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং গভর্ণরনা মীয়ামদা শেংদোক্কদবনি : কোংগ্রেস



**ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :** শিরুই লিলী ফেষ্টিবেলগী পাউ লৌনবগীদমক পাউমীশিংনা তোংদুনা উখুল তম্না চৎপা এম এস টিগী বসপু করিগীদমক অথিংবা পীখিবনো অমদি বস অদুদা 'মণিপুর' হায়বা ৱাহৈ শীজিন্নবা ...মখা লমায় ৮ কলম ১

## গভর্ণরনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎলক্তবদি তূমিন্না লৈথোক্লোই : কোকোমি

(লমায় ৮দা)

## ইরৈপাক মণিপুর কন্নবগী অচেৎপা ফিরেপ অমা থেংথদনা লৌরসি : অমুকো

(লমায় ৬তা)

## পুং ২৪গী মনুংদা গভর্ণরনা শেংদোক্কদবনি : পি সী কে

**ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :** মতম খরা লেপ্পুরবা মতুংদা ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোকখিবা সিরুই লিলী ফেষ্টিবেল ২০২৫গী মঙারকশুবা এদিশনগী পাউ লৌবা চৎখিবা পাঔমীশিংনা তোংবা 'মণিপুর ষ্টেটত্রান্সপোর্ট কী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## মণিপুরগী এম এল এশিংনা মরীল য়াওদবদগী থোরকপনি : ও জয়

**ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :** ঙসি উখুলদা হৌদোকখিবা সিরুই লিলী ফেষ্টিবেল ২০২৫গী পাউ লৌবা চৎখিবা পাউমীশিংনা তোংবা এম এস টিগী বসতা 'মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্ট' থাবগী মনুংদা 'মণিপুর' হায়বা ৱাহৈ অসি খুমজিন্দ্রবদি নৎত্রগা মূখৎত্রবদি চৎপা য়ারোই হায়দুনা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা অথিংবা পীরকপগী থৌদোকসি মণিপুরগী এম এল এনা মরীল য়াওদবদগী থোরকপনি। হৌজিক লৈরিবা ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেলগী ফীভম অসি য়ৌরবা ফাওবদা এম এল এশিংনা করিমত্তা হায়বা ঙমদ্রি। সী এস ওশিংনা তৌহন্নীংবা কয়াসু তৌরক্ত্রি হায়রদুনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা থৌদোক্লি হায়রকখি।

## খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌই : খাইদেম মনি

**ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :** ঙসি উখুলদা হৌদোকখিবা সিরুই লিলী ফেষ্টিবেলগী পাউ লৌবা চৎপা পাউমীশিংনা তোংবা এম এস টিগী বসতা 'মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্ট' হায়না থাবগী মনুংদা 'মণিপুর' হায়রিবা ৱাহৈসি খুমজিনগদবনি নৎত্রগা লৌথোক্কদবনি নৎত্রবদি চৎপা য়ারোই হায়দুনা সেন্ত্রেল ফোর্সনা থিংলক্লিবা থৌওংবু খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌই হায়না সিনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনিনা ফোঙদোরক্লি।

## মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি শোক্কদবা ইস্যুদা মীতৈ পাঙলশিংনা তূমিন্না লৈরোই : অম্মোকোক



অম্মোকোককী থৌপুবশিংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকপা (পাউ লমায় ৬তা)

## খোইশাওনরবা 'ইমাগী মৈরা' য়াওনা লুচিংবীশিংনা সিক্যুরিটি এদভাইজরগীদা থোমজিনখ্রে, ঙসি উনরগনি



**ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :** উখুলদা সিরুই লিলী ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী পাউ লৌনবা চৎখিবা পাউমীশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুর ৱাথোক্কী মতাংদা থিজিন্নবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না শেমখিবা কম্মিটিগী মতম শাংদোকহনখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা থোকখিবা থৌদোকশিং অমসুং মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বগী মতাংদা থিজিন্নবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না গৌহাটি হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইরম্বা জষ্টিস অজয় লম্বানা লুচিংবা মীওই অহুমগী 'কমিশন ওফ ইনক্বারি' অমা শেমখিবা অদুনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা রিপোর্ট পীখৎলক্নবগী মতম শাংদোকহনখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ম্যান্মার ১সুং বাংলাদেশতগী নারোন্দা চঙলকপা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং

## নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা হলহনখিনবা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ষ্টেট ১সুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :** ম্যান্মার অমসুং বাংলাদেশতগী লোনা য়াদবা মওংদা নারোন্দা চঙশিল্লক্লগা ইন্দিয়াগী সিটিজন শাদুনা লৈবনি হায়না চিংনবা মীওইশিংবু নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা থিদোক্তুনা মশক খঙদোক্লবা অমসুং হায়রিবা থা অমগী মতম অসিগী মনুংদা মখোয়না পায়রল্লিবা চে-চাংশিং অদু শেমজিন-শাজিনবা ওইনা থেংনবা তারবদি মখোয় পূম্নমক মশা-মশাগী মরৈবাকশিং অদুদা হলহনখিগদবনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) না ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি (য়ু টি) শিংগী মফমদা খঙহনখ্রে।



খোঙথাং অসি এম ঐচ এনা চৎলিবা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ষ্টেট অমসুং য়ু টিশিংগী মফমদা লোনা য়াদবা মওংদা লৈবাক অসিদা চঙলকপা মীওইশিংগী লৈফম থিদোক্লগা মশক খঙদোক্তুনা মখোয়বু চৎহনখিনবা লিগেল ওথোরিটি অদু শীজিন্নৌ হায়না য়াথং পীখ্রবা মতুংদা লৌখৎলকপনি। মসিতসু নত্তনা মরৈবাক্তা হনখিনবা মতম ঙাইরিবা মীওইশিংবু ফাজিন্দুনা থম্নবগীদমক্তা মতিক চাবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল দিটেন্সন সেন্টরশিং শেমগৎনবসু খঙহনখি।

হায়রিবা থবকশিং অসি রাজস্থান অমসুং গুজরাটনচিংবা ষ্টেট কয়াদা পায়খৎপা হৌনখ্রে। রাজস্থান পুলিসনা চথবা স্পেশল ওপরেশন অমদা লোনা য়াদবা মওংদা চঙলকপনি হায়না চিংনবা বাংলাদেশ মীতোপ ১৪৮গী ইহান হানবা কাঙবু অমদা মখোয়গী মরৈবাক্তা হলহনখিনবগীদমক্তা চৎলিবা চয়োল অসিদা অখন্নবা ফ্লাইট অমনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পুখ্রে।

সেন্টরনা মীতোপশিংবু ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট ১সুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা প্রাইভেট পার্টিশিংদা পীথোকখিবা রিজার্ভ ফোরেষ্টকী লমশিং অমুক হন্না লৌশিন্নবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :** রেভন্যু দিপার্টমেন্টশিংগী মখূৎতা লৈবা উমংগী লমশিং অসি প্রাইভেট পার্টিশিংদা উমংগা মরী লৈনদবা থবকশিংগীদমক্তা পীথোকপরা হায়বা ৱাফম অসি য়েংশিনহন্নবগীদমক্তা স্পেশল ইনভেষ্টিগেশন টিমশিং শেম্নবা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অমনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী চীফ সেক্রেটেরিশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী এদমিনিষ্ট্রেটরশিংদা য়াথং পীখ্রে।

অসিগুম্বা মখলগী উমংগী লমশিং অসিবু লন্নাই মীওই অমসুং অতৈ কাঙবুশিংদগী অমুক হন্না লৌশিন্দুনা উমং লোয়শঙশিংদা খুৎশিন্নগদবনি হায়না ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিস বি আর গভাইনা লুচিংবা জজ অহুমগী বেঞ্চ অমনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মফমদা খঙহনখ্রে। ৱায়েল অদুগী অইবা চীফ জষ্টিস গভাইনা মহাক্কী য়াথংদা হায়রি, করিগুম্বা লম অদু লৌশিনবা হায়বসি মীয়ামগী ওইনা অকায়বা থোক্কদবা লৈরবদি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট/য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংনা লম অদুগী মমল অদু লম লৌরিবা মীওই/ইন্সটিট্যুশনশিং অদুদগী লৌগদবনি অমসুং শেনফম অদু উমংশিংবু য়োকখৎতুনা থম্নবা হীরমদা শীজিন্নগদবনি।

উমংগী লম শেন্দানফম ওইনা শীজিন্নবা : অসিগুম্বা য়াথংশিং অসি কুমজা ১৯৯৮দা মহারাষ্ট্রগী পুনে দিষ্ট্রিক্টনা কোনবা কোন্দ্ৱা বুদ্রুক হায়রিবা খুঙ্গং অসিদা লৈবা রিজার্ভ ফোরেষ্টকী হেক্টর ১১.৮৯ চাউবা লম অমা পীথোকখিবা অমসুং লম অদু মথংগী চহীদা বিল্ডর অমদা য়োন্থোকখিবগী থৌওংশিং অসি লোনা য়াদে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা পীখিবনি।

কেস অসি "পোলিটিসিয়ন, ব্যুরোক্রেট অমসুং বিল্ডর হায়রিবশিং অসিনা লৌতুনদুনা মতৌ করম্না মমল য়াম্লবা উমংগী লম্বু শেন্দানফম ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## জষ্টিস কেম্পাইয়া সোমাশেকরনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইরগনি

**ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :** য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসনা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেশন অমগী মতুংইন্না কর্ণাটকা হায় কোর্টকী জষ্টিস কেম্পাইয়া সোমাশেকরনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইরগনি। ফম অসি মহাক্না চার্জ লৌবা নুমিৎতগী পুগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি মহাকপু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীবিনবা সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস বি আর গভাইনা লুচিংবা কোলেজিয়মনা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নরবা মতুংদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা রেকমেন্দ তৌখিবনি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## মপুরোইবনা লালহৌবা ওইরগা মাগী নুপীনা ভোট লেপ্তুনা এম এল এ/মিনিষ্টর ওইরক্লবদি লৈঙাক্না য়েংশিনবীফম থোক্তব্রা : ফিলেম রোমিও

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
কাংপোকপীদগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :** মপুরোইবনা লালহৌবা ওইরগা মাগী নুপীনা ভোট লেপ্তুনা কারগা এম এল এ/মিনিষ্টর ওইবা য়াওরক্লবদি লৈঙাক্না য়েংশিনবীফম থোক্তব্রা হায়না লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা লৈঙাক্কী ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা কাংপোকপীদগী ফিলেম রোমিও (৪৮) না পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়, অসিগুম্বা মীওইশিংনা এম এল এ/মিনিষ্টরনচিংবা ওইরকপদগী তৌনীং তৌনীংবা তৌবা ঙম্লক্লে। থৌওং অসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়েংশিলহন্নীংই। অদুগা অসিগুম্বা মীওইশিং অদুনা মীখলদা মায় পাকখ্রগনা মীচমগা চপ মান্ননা লৈগদৌরিবনি।



কাংপোকপীদা লৈরিবা চীংমী ফূরুপশিংগী মনুংদা থোরক্লিবা লান অসিদা চেন্নরিবশিং অসি কদাইদগী লাকপনো হায়বা খঙদে। য়ামদ্রবদা চহী অমদা য়ুম মশীং ২০/৩০দি হেনগৎলকই। য়ুম হেনগৎলকপগী মতুংইন্না মখোয়গী মীশিংসু অদুমক হেনগৎলকই। খুলগী মমিংসু মখোয়না পংথোন্দা থোঞ্জিল্লকই। অদুঙৈ চীংগী ফূরুপ অনীগী মরক্তা থোকখিবা অচৌবা ঈরাং অদুগী মতুংদগী কুকিশিংগী মশীং খংহেন হেনগৎলকখি। (মথং-মথং)

HL-B/9567/21

